# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, JANUARY 13, 2019 PAGE 7




*মিনট ৩০গী মনুংদা ৪০–পোইন্ট ত্রিপল দবল স্কোর তৌদুনা এনবিএগী অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রবা হাউস্টন রোকেটসতা শান্নরিবা জেমস হারদেন*

*সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা ওস্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোর*



## এএফসি এসিয়ান কপ্তা ইরান অমসুং ইরাক মখোয়–মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপ দি দগী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌখ্রে

AFC ASIAN CUP UAE 2019



*অবু দাবী, জনুৱারি ১২ঃ*

যুএইনা যুম্বু ওইরগা চথরিবা এএফসি এসিয়ান কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী মেটচশিং মায় পাক্তুনা ইরান অমসুং ইরাক নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইরাননা ভিয়েটনামবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট ৬ ফংদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা ইরানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সরদার এজমোননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ৭ রোমগী মতম অদুদা ভিয়েটনামগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী ইরাননা ১–০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৯শুবা মিনটতা ইরানগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা সরদার এজমোননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং ভিয়েটনামগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অসি ইরাননা ভিয়েটনামবু ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট ৬ ফংদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইরাকনা য়েমেনবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা মখোয়সু পোইন্ট ৬ ফংলগা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ১১দা মিনটতা ইরাক্কী মোহানাদ কাধিমনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ১৯শুবা মিনটতা টিমমেট বাসার রেসাননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা ইরাক্কী আলা অবাসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ইরাক্না য়েমেনবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

## রোহিট শর্ম্মনা সেঞ্চুরি লৌখ্রবসু অহানবা ৱান দে মেটচ ওস্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু রন ৩৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেরিজ মাঙজিল থাখ্রে

*সিদনি, জনুৱারি ১২ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওস্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি সিদনিদা শান্নখিবা অহানবা ৱান দে মেটচতা রোহিট শর্ম্মনা সেঞ্চুরি লৌখ্রবসু ওস্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু রন ৩৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেরিজ মাঙজিল থাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ৱান দে মেটচ অসিগী টোস ওস্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। ওস্ট্রেলিয়াগী বেট্টিং অদু ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২৮৮ লৌবা ঙমখি।

ওপনর আরোন ফিন্স শুপ্পগী রন ৬ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা উসমান খাৱাজানা অতোপ্পা ওপনর এলেক্স কেরিগা ইন্নিংস মখা তানা শেমগৎলকখি। ওপনর এলেক্সসু রন ২৪ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ওস্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর ৪২ শুরবদা ৱিকেট অনী তুখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা সোন মার্সনা খাৱাজগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমখি। মখোয় অনীনা ওস্ট্রেলিয়াগী স্কোর অদু রন ১০০ লাম্থোকহনখি। খাৱাজা রন ৫৯ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

সোন মার্সসু ওস্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা রন ৫৪ হাপচিল্লম্লগা আওট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন পিটর হেন্দসকোম্বনা ওস্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৬১ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ৭৩ লৌরমখি।

৬শুবা বেটসমেন মার্কস ষ্টোইনিসকী আওট ওইদনা লৌখিবা রন ৪৭ অমদি ৭শুবা বেটসমেন গ্লেন মেক্সৱেলগী আওট ওইদনা লৌখিবা রন ১১ অদুনা মপুং ওইরগা ওস্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২৮৮ লৌরমখিবনি।




*রন ১৩৩ লৌখিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন রোহিট শর্ম্মনা হরাওবা উৎপা*

ইন্দিয়াগী বোল্লিং মায়কৈদা ভুবনেশ্বর কুমার অমদি কুলদিপ যাদবনা ওস্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ২। ২ আওট তাহনখি।

ইন্দিয়ানা রন ২৮৯ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু লৌননবা শান্নরকপদা ওভর ৫০ শান্নবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৫৪ খক লৌখিবদগী অহানবা ৱান দে মেটচ অদু ওস্ট্রেলিয়ানা রন ৩৪ দা মায় পাক্তুনা সেরিজ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱন রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু শুপ্পগী রন ৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অম্বাতি রায়ুদুসু রন অমত্তা লৌদনা আওট ওইখিবদগী অপুনবা রন ৪ শুরকপদা ৱিকেট ৩ তুখি।

৫শুবা বেটসমেন এমএস ধোনিনা অতোপ্পা ওপনর রোহিট শর্ম্মগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ১৪১ য়ৌহল্লকখি। ধোনি রন ৫১ দা আওট ওইখি। মখা তানা চঙলকখিবা দিনেস কার্থিক রন ১২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৭শুবা বেটসমেন রভিন্দ্র জাদেজাবু শুপ্পগী রন ১২ খক লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ফিভম শোকচিল্লকখি।

ওপনর রোহিট শর্ম্মনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা বোল ১২৯ মায়োক্নবদা সিক্স ৬ অমদি ফোর ১০ য়ৈরগা রন ১৩৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। কুলদিপ যাদব অমদি মোহমদ সামী মথং শিংনা রন ৩ অমদি ১ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ভুবনেশ্বর কুমারনা আওট ওইদনা রন ২৯ লৌরম্লবসু ওভর লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু ওস্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু রন ৩৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেরিজ মাঙজিল থাখি।

## জেক্কী পেত্রা কিটোভানা সিদনি ইন্টরনেসনেলগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলনা ওস্ট্রেলিয়াগী দি মিনোরনা ফংখ্রে

SYDNEY INTERNATIONAL

*সিদনি, জনুৱারি ১২ঃ*

ওস্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা চথরিবা সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল জেক রিবব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলনা ওস্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা ফংখ্রে।




*সিদনি ইন্টরনেসনেলগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবী পেত্রা কিটোভা*

সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা টুর্নামেন্ট অসিগী যুম্বু লৈবাক ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেট ওস্ট্রেলিয়াগী বার্টিনা কিটোভাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা য়াম্না লায়না ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা শান্নরোই অনীমক গেম ৫–৫ দা মান্নখি। থংনবা গেম অনী জেক রিপব্লিক্কী কিটোভানা লৌখিবদগী সেট অদু ৭–৫ দা থোইদুনা ১–১ দা মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেটতা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরকপদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক্তা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু ৭–৬(৭–৩) দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখি।

সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওস্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা ইটালিগী এন্দ্রিয়াজ সেপ্পীবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেট য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী গেম ৫–৫ দা মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপদা ওস্ট্রেলিয়াগী মিনোরনা থংনবা গেম অদু মায় পাক্তুনা সেট অদু ৭–৫ দা থোইদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা সেটতসু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক্তা ওস্ট্রেলিয়াগী মিনোরনা ইটালিগী সেপ্পীবু ৭–৬(৭–৫) দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ পেয়র বৃটেনগী জেমী মুরে অমদি ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেজনা অহানবা সিদেদ পেয়র কলম্বীয়াগী জে এস কবাল অমদি আর ফারাহবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্লগা টাইটল ফংখি।

সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা সর্ভিয়াগী এ ক্রুনিক অমদি জেক রিপব্লিক্কী কে সিনিয়াকোভানা জপানগী ই হোজুমী অমদি পোলেন্দগী এ রোসোল্স্কাবু ৬–১, ৭–৬(৭–৩) দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা ন্যু জিলেন্দগী সিটি ওকলেন্দদা চথরকপা এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওকলেন্দ ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ুএসএগী টেন্নিস সেন্দগ্রেননা বৃটেনগী কেমেরোন নোরিবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

ওকলেন্দ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা জপানগী বি মেকলাচিয়ান অমদি জর্মনিগী জে এল ষ্ট্রুফনা ৩শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা সাউথ অফ্রিকাগী আর ক্লাসেন অমদি ওস্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

## মণিপুরগী গোল্ফ টিম ম্যান্মারগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ*

মীওই ২২ না শাবা মণিপুর গোল্ফ এসোসিয়েসনগী টিম অমা ম্যান্মারগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। টিম অসি মণিপুর সরকারগী টুরিজম দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর দল্লিয়ু ইবোহল সিংহনা ঙরাং শিংজমৈ চীংঙামথক্তা লৈবা ইবোয়াইমা হোস্পিটাল মমাঙদগী লমথাখি।

টিম অসিনা থা অসিগী ১১ দগী ১৫ ফাওবা মন্দলেদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দো–ম্যান্মার ফ্রেন্দসিপ গোল্ফ টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগনি হায়রি।

ভিজিনেস এক্সিলেন্স গ্রুপ অমদি মণিপুর গোল্ফ এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ম্যান্মারগী মন্দলেদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরগী গোল্ফ শান্নরোইশিংনা শরুক য়াবা হায়বসি শিংথানিংঙাইনি হায়না দিরেক্তর ইবোহলনা ফোঙদোকখি।



মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা গোল্ফকী মশান্না অসিনা মণিপুরবু টুরিজম দেষ্টিনেসন ওইনবা হোৎনবদা য়াম্না চাওনা মতেং পাঙগনি অমদি খোঙথাং অসিনা মণিপুরদা গোল্ফকী মশান্না অসি য়োকখৎনবা অমসুং গোল্ফকী প্রোজেক্টশিং লৌথবদা মতেং ওইরগনি হায়খি।

## জুনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮–১৯ লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ*

মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙরাংদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী আর্চরি ফিল্ডদা তোঙান–তোঙানবা য়ুনিট ১৬ তগী লাকপা নুপামচা আর্চর ৫৬, নুপীমচা আর্চর ৫৪ পুন্না আর্চর ১১০ শরুক য়াদুনা চথরকপা ৩৩শুবা ষ্টেট জুনিয়র আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮–১৯ ঙসি লোইশিনখ্রে।

ঙসি অরোইবা নুমিৎতা শান্নখিবা কম্পাউন্দ জুনিয়র গালর্স ৫০ প্লস ৫০ মিটরদা সাইআরসিগী এল মোনিকানা স্কোর ৬৫৫ দা অহানবা, এসিইগী এল দুলিনানা স্কোর ৬৪৯ দা অনীশুবা অমদি সাইআরসিগী এল সোনিয়ানা স্কোর ৬৪৩ দা অহুমশুবা তাখি।

কম্পাউন্দ জুনিয়র বোইজ ৫০ প্লস ৫০ মিটরদা সাইআরসিগী ৱিলসন তখেলম্বমনা স্কোর ৬৮৫ দা অহানবা, ভি এ এ গী ইরৱিন লাইশ্রমনা স্কোর ৬৮২ দা অনীশুবা অমদি সাইআরসিগী এস রাজেন্দ্রোনা স্কোর ৬৭৯ দা অহুমশুবা তাখি।

রিকর্ভ জুনিয়র গালর্স ৭০ প্লস ৭০ মিটরদা এনএসএগী ৱাই অনুপামানা অহানবা, ভি এ এগী কেঐচ মংলেমসনানা অনীশুবা অমদি সাইআরসিগী জি লানগুইলুনা অহুমশুবা তাখি।

রিকর্ভ জুনিয়র বোইজগী ৭০ প্লস ৭০ মিটরদা বিসিএসিগী এন পারিথোইনা অহানবা, সাইআরসিগী দল্লিয়ু লিনোরদনা অনীশুবা অমদি এনএসএগী বোইপুনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র কম্পাউন্দ বোইজ টিমদা সাইআরসিনা অহানবা, য়ুএসিনা অনীশুবা অমদি এসিইনা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিয়ান রাউন্দ গালর্স ৪০ প্লস ৪০ মিটরদা বিসিএসিগী দল্লিয়ু মালেশ্বরীনা অহানবা, এনএসএগী ঐচ সন্ধ্যারানিনা অনীশুবা অমদি সাইআরসিগী এল সোফিয়ানা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিয়ান রাউন্দ বোইজ দা এফএসিগী এল নাওতোননা অহানবা, এসএসএগী এল নেলসননা অনীশুবা অমদি বিসিএসিগী এল মিলননা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিয়ান রাউন্দ টিম বোইজতা বিসিএসিনা অহানবা, এনএসএনা অনীশুবা অমদি কেএমএসিনা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিয়ান রাউন্দ টিম গালর্সতা বিসিএসিনা অহানবা, এনএসএনা অনীশুবা অমদি ৱাইএসিনা অহুমশুবা তাখি।

## আইএসএসদব্লিয়ুসি ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ*

ইরোং ষ্টুদেন্ট এন্দ সোসিয়েল ৱেলফিয়র ক্লব ইরোং চৈশাবনা শীন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী টিম ৬ না গ্রুপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা শগোলবন্দ সলাম প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেবেল মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাইএমদিওনা এনৱাইয়ুএবু সেট ৩–২ (২১–২৫, ২৫–২২, ২১–২৫, ২৫–২২, ১৫–৯) দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দ শান্নখিবদা টিৱাইদব্লিয়ুসিনা এনৱাইভিএবু সেট ৩–১ (২৫–২৩, ২৫–২৩, ২০–২৫, ২৫–১৮) দা মায়থিবা পীখি।

আইএসএসদব্লিয়ুসি ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১৩ দা আইজিও অমদি ৱাইএমসিওনা নুংথিল পুং ১২.৩০ দা অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা এমপিএসসি অমদি টিৱাইদব্লিয়ুসিনা শান্নরগনি।

## ওল এফসি, এল এফসি অমদি লাইওন্স ক্লব মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ*

রাইজিং নোলেজ ক্লব খোয়াথোংনা শীন্দুনা চথরিবা ৪শুবা ইমা মনিশং নীংশিং ষ্টেট লেবেল ফোর মেন এ সাইদ মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ওল এফসি (এ) উরিপোক্না এনৱাইকে থাংমৈবন্দবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দ ওইনা শান্নখিবদা এল এফসি লাঙ্গোলনা কেএলএসসি কোন্থা খাবমবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা লাইওন্স ক্লব কংজাবীনা পিৱাইপিসি থরোইজমবু য়াম্না লকচনা গোল ১২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

### ক্রোসৱার্দ ৪০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | W | A | R | E | ■ | A | R | I | A | ■ | M | A | T | S |
| R | E | L | E | T | ■ | M | E | S | S | ■ | E | C | H | O |
| E | L | O | P | E | ■ | A | L | L | I | G | A | T | O | R |
| A | L | T | A | R | S | ■ | Y | E | A | R | ■ | E | S | E |
| ■ | ■ | ■ | I | N | C | H | ■ | ■ | ■ | O | R | D | E | R |
| M | A | N | D | A | R | I | N | ■ | S | P | A | ■ | ■ | ■ |
| U | S | E | ■ | L | E | N | O | ■ | T | E | N | N | I | S |
| T | E | A | S | ■ | E | D | D | I | E | ■ | K | E | N | O |
| T | A | R | T | A | N | ■ | E | R | R | S | ■ | S | C | I |
| ■ | ■ | ■ | A | L | S | ■ | S | K | E | L | E | T | A | L |
| A | L | I | B | I | ■ | ■ | ■ | S | O | O | N | ■ | ■ | ■ |
| S | O | D | ■ | K | E | L | P | ■ | S | T | R | E | E | T |
| C | O | O | P | E | R | A | T | E | ■ | C | A | R | E | R |
| O | S | L | O | ■ | O | V | A | L | ■ | A | G | I | L | E |
| T | E | S | T | ■ | S | A | S | S | ■ | R | E | E | S | E |

PALACE DENTAL CARE

*Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple Imphal East*

Newly Open

* Free consultation & 50% discount on all treatments upto 20th Jan. 2019

Newly Open

**Treatments available:-**

1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extrations.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

Sunday 8 AM. to 12 Noon.

X-ray available

Visiting Hours 8:30 AM. to 4:30 PM.

*For more details Please Contact:*
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

SL/P/Alt/30 Days from 6-1-19

A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC

*SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI NEAR US ACADEMY, IMPHAL WEST*

**Treatments**

- Fracture
- Frozen Shoulder
- Neck & Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

**Instruments**

- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Therapy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday - on appointment only

Home visit available

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

*Please Contact:*
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
Email- asunshine489@gmail.com

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019